# রখাইনগী ক্রাইসিস লোইশিনবদা মতেং পাংলক্নবা ওং সান সু চিনা মালেমদা অপীল তৌখ্রে

য়াঙ্গোন, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটকী ৱাথোক লোইশিনবদা মহাক্কী গভর্নমেন্টতা মতেং পাংনবা ষ্টেট কাউন্সেলর দো ওং সান সু চিনা মালেমগী লৈবাকশিংদা অপীল তৌখ্রে অমসুং মীওইবগী হকশিং চাউনা খোঙ্গোইনবগী থৌদোক খূদিংমক 'চপ চানা জষ্টিস' শীজিন্নদুনা য়েংশিনগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রে।

ওং সান সু চিনা হায়খি, মহাক্না গভর্নমেন্টনা ষ্টেট পূম্বদা ঈং-চিকপা, মরা চেৎপা ফিভম অমসুং রুল ওফ লো হঞ্জিনহন্নবা অখাকপা লৈতনা হোৎনগনি।

ঙসি অয়ুক নে পি টৌদা ৱা ঙাংলদুনা ওন সান সু চিনা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা হৌজিক লৈরিবা ফিভমদু থেংনবদা মতেং পাংনবা ইন্টরনেস্নেল কম্ম্যুনিটিদা অপীল তৌখি অমসুং গভর্নমেন্ট অসিনা বাংলাদেশকা খূৎশম্নদুনা ম্যান্মারগী সিটিজনশিংনি হায়না প্রুভ তৌবা ঙম্বা রেফ্যুজীশিং লৈবাক অসিদা অমুক লাকহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

স্পীচ অদু ইংলিসতা পীখি অমসুং ম্যান্মারগী সবটাইটলশিং য়াওদনা ষ্টেটনা রন তৌবা টেলিভিজনগী খূৎথাংদা শন্দোকখি।

মহাক্কী স্পীচ অসি সেপ্টেম্বর হৌরকপদা রখাইন ষ্টেটতা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদু লান্না পাউ শন্দোকপগী অচৌবা কেম্পেইন অমনা থোকহনবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবদগী ফিভমদুগী মতাংদা পীবা মহাক্কী অহানবা পব্লিক কমেন্টশিংনি।

নোবেল পীছ প্রাইজ ফংখ্রবী লূচিংবী অসি মহাক্কী গভর্নমেন্টনা ক্রাইসিস অদু হেন্দল তৌবগা মরী লৈননা মালেমগী অকনবা ক্রিটিসিজম মায়োক্নরকখিবনি। মরুওইনা রোহিংয়া হায়না খঙনবা মুস্লিম মাইনোরিটিগী ট্রিটমেন্টকী মতাংদা মহাকপু মালেমনা ক্রিটিসাইজ তৌখি। হৌখিবা চয়োল অহুম অসিদা রোহিংয়া ৪০০,০০০ হেন্না ম্যান্মারগী বোর্দর লাল্লগা বাংলাদেশতা চেনশিনখ্রবনি।

ঈ-নাই তানবগী ঈরাং অদুনা মরম ওইরগা রখাইন অমসুং হিন্দুশিং য়াওনা অতৈ ইথনিক গ্রুপশিংগী মীওই ৩০,০০০ রোমসু ষ্টেট অদুদা ময়ূম-মকৈ লৈহন্দ্রবনি। অদুম ওইনমক রখাইন ষ্টেটতা মিলিটরি অমসুং গভর্নমেন্টনা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিংবু মহাক্কী লৈবাক্তা পাক-শন্না শৌগৎনখি। মীওই লীশিং কয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়াঙ্গোনগী মরুওইবা লম্বীশিংদা থোক্তুনা মহাক্না ৱা ঙাঙবা য়েংনখি। মীওই কয়ানা জগোই শানখি অমসুং লৈবাক নীংবগী ঈশৈশিং শক্লুখি।



রখাইন ষ্টেটকী খ্বাইদগী নৌবা ঈরাং অদু হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মিনা পুলিস আউটপোষ্ট ৩০ অমসুং মিলিটরি কেম্প অমদা এটেক তৌবদগী থোক্লকখিবনি। রোহিংয়া লালহৌবশিংনা নিংথীনা শিন্দুনা চত্থখিবা এটেক অদুদা সিক্যুরিটি ওফিসর দজন অমরোম শিখি।

এটেকশিং অদুগী পাউখুম ওইনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লালহৌবশিং তকথোকপগী অকনবা ওপরেসন অমা হৌখি। ওপরেসন অদুদা মায়কৈ কয়াদগী মৈ থাবা, ওৎ-নৈবা অমসুং হাৎপ-তুপ্পা য়াওনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কা হেনবা থৌওং কয়া চত্থখি হায়না মরাল শিখি।

হ্যুমেন রাইটস ৱাটচনা লৈবাকপোকপগী অঙনবদা হায়খি মদুদি, সেটলাইট ইমেজশিংনা নোরদর্ন রখাইন ষ্টেটকী ভিলেজ ২১৪ পূংতুম তুম্না মাঙহন-তাকহনখ্রে হায়বা উৎলে। অমরোমদা মিলিটরি অমসুং গভর্নমেন্টনদি মুস্লিমশিংনা মখোয় মশাগী য়ূমশিং মৈ থাদোকচদুনা মিলিটরিগী মীংচৎ থীহন্নবা অমসুং মালেমগী সপোর্ট ফংনবা হোৎনৈ হায়রি।

ষ্টেট কাউন্সেলরনা মহাক্কী স্পীচতা মালেমগী সেক্সন কয়ানা নোরদর্ন রখাইনদা হৌজিক থোক্লিবদু নিংথীনা নৎত্রগা মপূং ফানা খঙদে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না মরাল লৈজদবা মীচমশিংদা অকায়বা পীদনবা ওপরেসনদা কোদ ওফ কন্দক্ট চপ চানা ঙাক্নবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা ইনষ্ট্রক্সন পীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# বাংলাদেশনা রোহিংয়া রেফ্যুজী ক্রাইসিসকী মপূং ওইবা চৈথেং নংলি

ধাকা, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

রোহিংয়া ক্রাইসিসকী মতাংদা মালেমনা ম্যান্মারবু কন্দেম তৌবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা ষ্টেট কাউন্সেলর ওং সান সু চিনা মহাক্কী গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী আর্মিগী ওপরেসনশিংনা মরম ওইদুনা লৈবাক থাদোক্তুনা চেন্নখিবা মীওইশিংগী ভেরিফিকেসন প্রোসেস হৌরগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থাজবা পীখ্রবসু রোহিংয়া মুস্লিমশিংনা পাক্তক্লনা চেন্নবগী ফিভম য়েংশিনবা ঙমদনা লৈরি।

রোহিংয়া ৪০০,০০০ রোম রেফ্যুজীশিং ওইনা ইন্দিয়াদা লৈবদা নৎতনা বাংলাদেশনা ম্যান্মারগী ঈরাংদগী চেন্নরকখিবশিংগী মরুওইবা পন্থুংফম অমা ওইরি।

চিট্টাগোং ডিভিজনগী মফম কয়াদা শারিবা রেফ্যুজী কেম্পশিংদা হৌজিক রোহিংয়া ৩০০,০০০ হেন্না লৈ। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিনা (বাংলাদেশনা) রেফ্যুজীশিংগী ক্রাইসিস থেংননবা লৈজবী থাদুনা হোৎনজরবসু মখোয়গী মশিং কা হেন্না য়াম্মনখিবনা চীঞ্জাক, লৈফম অমসুং ঈশিং ৱাৎপদগী মীশিং শিরকপা য়াই হায়না এইদ ৱার্করশিংনা মীপাইবা পোক্লরি। ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা বাংলাদেশনা রেফ্যুজী পূম্নমক ময়ূমদা হন্নবা হায়খি।



নৌনা থুংলরিবা রোহিংয়াশিংগী লৈফম পীনবা কোক্স বাজার ডিষ্ট্রিক্তা অনৌবা কেম্প অমা শানবা লম একর ২০০০ রোম থাদোক্লগনি হায়না বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। গভর্নমেন্টনা নৌনা থুংলবশিংবু রেজিষ্টর তৌবা অমসুং ফিঙ্গরপ্রিন্টশিং লৌবগী থবকসু পায়খৎখি।

কুতুপালোং অমসুং অতোপ্পা হান্নদগী লৈরক্লবা রোহিংয়া কেম্পশিং কেপাসিটিদগী কা হেন্দোক্না মী লৈশিনখ্রে। অতৈ নৌনা থুংলবশিং অদু স্কুলশিংদা লৈনখি নৎত্রগা লম্বীগী নাকলশিং অমসুং অহাংবা লৌবুকশিংদা টৌইলেটনচিংবা য়াওদনা হাথু হাথুনা শেম-শাবা সেট্লমেন্ট-শিংদা পূল্লপ-পূল্লপ লৈশিনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনানা রেফ্যুজী কেম্প অমদা চৎপদা ম্যান্মারনা রোহিংয়া মুস্লিমশিং লৌশিন্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা ডিমান্দ তৌখি অমসুং লৌশিনদ্রিঙৈ মনুংদা মতম খরগী ওইনা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী নৌবা ঈরাং হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ গী মমাঙদা বাংলাদেশতা কুমজা ২০১২ গী এন্টি-মুস্লিম রাইঅটশিংদগী চেল্লকখিবা মুস্লিম ৫০০,০০০ চঙজফম লৌদুনা লৈখি। মমাঙদা ম্যান্মারদা মুস্লিমশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবগী থৌদোক কয়া থোক্লা থোক্লা ঈ-নাই তাবা অচৌবা এন্টি-মুস্লিম রাইঅট থোকখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়াগী থ্রেট মরক্তা জপাননা মিসাইল ইন্টরসেপ্টর সিষ্টেম ডিপ্লোই তৌখ্রে

টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

নোর্থ কোরিয়ানা জপানগী লম লান্না মিসাইল অনী পাইহন্দুনা চাংয়েং তৌখিবা মতুংসিদা লৈবাক অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হোক্কাইদো ঈথৎতা অনৌবা এন্টি-মিসাইল সিষ্টেম অমা ইনষ্টোল তৌরগনি হায়না জপানিজ ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হাকোদাতে সিটিগী মিলিটরি বেজ অমদা পেট্রিয়ট এদভান্স কেপেবিলিটি - ৩ (পি এ সি - ৩) ইন্টরসেপ্টর ইনষ্টোল তৌনবগী ৱারেপ অদু পিয়োংয়াংনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৫ দা নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল চাংয়েং পাঙথোক্তুনা ময়াই ওইরপ শানবা মিসাইল অমা নোরদর্ন জপান লান্না পাইহনখিবা মতুংদা লৌরক্লিবনি। মিসাইল অদু পেসিফিক ওসীনদা তাশিনখি হায়না ওফিসল অদুনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

য়ু এসনা লূচিংদুনা অনৌবা অথিংবা কয়া থমখিবদা শৌগৎ-খিবগীদমক্তা জপানবু ন্যুক্লিয়র বোম অমনা 'ঈশিংদা লুপহনগনি' হায়না কিহনখিবা পিয়োংয়াংনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৯ দসু অতোপ্পা মিসাইল অমা কাপখি। মদুসু জপানগী অৱাংথংবা শরুক লাল্লগা পাইখি।

নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিং অদুগী মতুংদা পাঙ্গল উৎপগী থৌদৌ ওইনা য়ু এসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী নোংথক্তা ষ্টীল্থ ফাইটর জেট মরি অমসুং বোমর অনী পাইহনখি হায়না রিপোর্ট অমনা হায়খি।



এফ-৩৫ বি ষ্টীল্থ ফাইটর মরি অমসুং বি-১ বি বোমর অনীনা অয়ুক্ত পেনিন্সুলা অসিগী নোংথক্তা 'মোক বোমিং দ্রিলশিং' পাঙথোকখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীনা মশক মমিং পন্দবা সিওল গভর্নমেন্টকী সোর্ছ অমা পল্লদুনা হায়খি।

করিগুম্বা কনফার্ম তৌবা তারবদি ফ্লাইটশিং অদু নোর্থ কোরিয়ানা সেপ্টেম্বর ৩ দা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী পাৱরফুল ওইরবা অমসুং তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবদগী অমসুং হৌখিবা ইরাইদা জপান লান্না ময়াই ওইরপ শানবা মিসাইল অমা চাংয়েং তৌখিবদগী অহানবা ওইরগনি।

জপান অমসুং গুআমদা লৈবা মখোয়গী বেজশিংদা হল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা য়ু এসকী জেটশিংনা সাউথ কোরিয়াগী এফ-১৫ কে জেট ফাইটরশিংগা ট্রেন তৌমিন্নখি হায়না য়োনহাপনা সোর্ছ অদু পল্লদুনা হায়খি।

অসিগুম্বা মমাঙগী ফ্লাইটশিংদু ওগষ্ট ৩১ দা উখি। খ্বাইদগী নৌবা ফ্লাইটশিং অদু য়ু এস মিলিটরিনা খুদক্কী ওইনা কনফার্ম তৌখিদে।

হন্দক য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াদা প্রেসর পীবা হেনগৎপগী মওং উবা ফংলি। য়ু এনদা লৈবা য়ু এসকী অম্বেসেদর নিক্কি হেলিনা পিয়োংয়াংদা চেকশিনৱা পীরদুনা করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা হালেংবা লৈতনা চত্থরিবা খুৎলাই শাবগী দ্রাইভ লেপ্পু য়াদ্রবদি লৈবাক অসি পূংতুম তুম্না মাঙহনগনি হায়খ্রবনি।

# নৱাজ শরিফনা মফম তাখিবদা আর্মিনা থৌদাং অমৎতা লৌখিদে : পাকিষ্টানগী আর্মি চীফ

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপু মফম তাহনখিবদা আর্মিগী খূৎ য়াওই হায়বা ৱাফম পাকিষ্টানগী আর্মি চীফ জেনরেল কমর জাভেদ বাজৱানা য়াখিদ্রে অমসুং মহাক ডিমোক্রেসিবু থৱায় য়াওনা শৌগৎচবা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পানামা পেপর্স কেসতা পুকচেল শেংদবগী মরালদা সুপ্রিম কোর্টনা মহাকপু জুলাই ২৮ দা মখা তানা ওফিস পায়বা য়াদনবা ডিসক্কালিফাইদ তৌখিবদগী অমসুং ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা মহাক অমসুং মহাক্কী মচাশিংগী মথক্তগী করপসনগী কেসশিং ফাইল তৌনবা রুলিং পীখিবদগী চহী ৬৭ শুরবা শরিফ মফম থাদোকখি।

সেপ্টেম্বর ১৮ দা জেনরেল হেদক্কার্টর্স (জি ঐচ ক্যু) দা ভিজিট তৌখিবা নেস্নেল এসেমব্লি অমসুং সিনেটকী ডিফেন্স কম্মিটিশিংগী মেম্বরশিংনা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা জেনরেল বাজৱানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

সিক্যুরিটি ওপরেসনশিং, মিলিটরি কোর্টশিং, ডিফেন্স বজেট, য়ু এসকা ইনগেজ তৌনবগী মতাং, ইন্দিয়াগা লৈনবা টেন্সনশিং, অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং, অমসুং সিভিল মিলিটরি মরীশিং য়াওনা তোয়না খন্নবা ইসূ কয়া পার্লিয়া-মেন্টরিয়নশিংদুনা পুথোকখি হায়না দোননা ফোঙদোকখি।



পানামা পেপর্স কেসতা আর্মিনা থোইদোকপা থৌদাং লৌখি হায়রিবদু য়ূম্ফম য়াওদবা তোকঙাশিংনি হায়রদুনা জেনরেল বাজৱানা য়াখিদে অমসুং পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংদুদা মহাক ডিমোক্রেসিবু থৱায় য়াওনা শৌগৎপা অমসুং পার্লিয়ামেন্টনা পূমহেন হেল্লি হায়বসিদা থাজজবা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোকখি হায়না পাউচে অদুনা হায়খি।

পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংদুগী মনুংদগী অমনা আর্মি চীফকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা মফম তাখিবদা মিলিটরিনা করিগুম্বা থৌদাং অমৎতা লৌখিদে অমসুং মহাক্কী ওইনদি হৌজিক্কী প্রাইম মিনিষ্টরসু হান্নগীগা মান্ননা ফৈ হায়না দোননা ফোঙদোকখি।


পাকিষ্টানগী পোলিসিগী ৱারেপশিংগী মতাংদা ঈথিল চাউনা পীবা ঙম্বা মতিক-ময়ায় লৈরবা আর্মিনা পাকিষ্টানবু চহী ৭০ গী মমাঙদা নীংতম্বা ফংখিবদগী অয়াম্বা মতমদা লৈঙাক্তুনা লাকখি।

সুপ্রীম কোর্টনা মহাকপু ডিসক্কা-লিফাইদ তৌখিবদু ইকায়বা পীবগী থৌওং অমনি হায়না হৌখিবা থাদা নৱাজ শরিফনা ফোঙদোকখি অমসুং মহাকপু প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী চিংথুনবা লৌতুনবগী থবকশিং চহী অহুমগী মমাঙদগী হৌখি হায়খি।

য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী সেসনগীদমক ন্যু য়োর্ক পাংদ্রিঙৈ মমাঙ চয়োল অসিদা লন্দনদা অতেনবা মতমগী ওইনা পল্লিঙৈ মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খাকন অব্বাসিনা ফোঙদোকখি মদুদি, পাকিষ্টান মুস্লিম লীগ-নৱাজ গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৌতুনবগী থৌওংশিং মখা তানা লেপ্পুনা চত্থরি।

ফোরন রিলেসন্সকী মতাংদা মহাক্না লৈবাকপু মওং-মরিল তানা থম্বা হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা ইকায়খুম্নবগী ফিদা অমা ফংনবগী তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংনি হায়খি। পাকিষ্টাননা লৈবাক খূদিংমক্কা মরুওইনা য়ূমলোন্নবশিংগা অফবা মরী থম্বা পামই হায়না জেনরেল বাজৱানা হায়খি।

# য়ু এন জি এদা কাশ্মির ইসূ পুথোক্লবা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়ু এসতা থুংখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিগী ৭২ রক শুবা সেসনদা শরুক য়ানবগীদমক পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সহীদ খকন অব্বাসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু য়োর্কতা থুংখ্রে। মহাক্না সেসন অদুদা কাশ্মির ৱাথোক পুখৎলবা য়াই হায়রি।

সেপ্টেম্বর ২১ দা অব্বাসিনা য়ু এন জি এদা ৱা ঙাঙগদৌরিবসি হৌখিবা থাদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশকখিবা মতুংদা মহাক্না খ্বাইদগী ৱাংবা ইন্টর্নেসনেল ডিপ্লোমেসিদা অহানবা ওইনা খোঙদাবা ওইরগনি।

য়ু এনদা লৈবা পাকিষ্টানগী অম্বেসেদর মলৌহা লোধীনা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টরনা কাশ্মির ইসূ অমসুং পাকিষ্টাননা লুনা লৌবা অতৈ ইসূশিং হাইলাইট তৌগনি। য়ু এনদা লৈবা ইন্দিয়াগী পর্মনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ সয়েদ অকবরউদ্দিননা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবা অমদা পাকিষ্টাননা য়ু এনদা কাশ্মির ইসূ পুথোক্লবা ৱারেপ লৌরক্লিবদু কাখু অমদা শুম লৈশিনবা মীশিংনা মীৎয়েং চাউথোকপ ঙমদবগা মান্নবা থৌওংনি অমসুং য়ু এননা শাংলবা মতম অসি কাশ্মির ইসূ খন্নখিদ্রি হায়খি।

অমরোমদা ইন্দিয়ানা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি সেসনদা চাওখৎপা অমসুং মাঙলোমদা চঙশিনবগী এজেন্দাদা মীৎয়েং থমগনি হায়না অকবরউদ্দিননা ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা থাদা ইস্লামাবাদপু চৈ থাংখিবদগী পাকিষ্টান অমসুং য়ু এসকী মরীদা উংখৎনবগী মওং অমা লাক্লিঙৈ মরক্তা অব্বাসিনা য়ু এনগী জেনরেল এসেমব্লিগী সেসনদা শরুক য়াবা চৎলিবনি।

অফঘানিষ্টানদা অমেরিকানশিংবু হাৎপা 'কাং-খোং চাইহনবগী এজেন্ট-শিংবু' অশোয়-অঙাম অমৎতা থোকহল্লোইদবা মওংদা লৈহনব-গীদমক্তা দোনাল্ড ট্রম্পনা ইস্লামাবাদপু চৈ থাংখি অমসুং টেররিষ্টশিংবু চঙজফম পীবনা য়াম্না মাঙজগনি হায়না ইস্লামাবাদতা ৱার্নিং তৌখি। মহাক্না ঙসি অথেংবদা ন্যু য়োর্কতা লৈবা য়ু এন হেদক্কার্টর্সতা য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সকা উনগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখি।

অব্বাসিনা পেন্সকা উনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা পাকিষ্টানগী ফোরন সেক্রেটরি টেহমিনা জঞ্জুআনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু এসকী অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট টোম ছাননগা উনখি। উনবদুদা জঞ্জুআনা পাকিষ্টাননা খ্বাইদগী মরুওইনা পায়খৎকদবা থবক্তি অফঘানিষ্টানদা পীছ লিংবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# কর্দ রেফরেন্দম : টেন্সন থোক্লকপদগী কর্কুকতা পুলিস ডিপ্লোই তৌখ্রে

কর্কুক, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

কর্দশিংনা মনীং তম্না লৈবগী ৱাফমগী মতাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা রেফরেন্দমগী মাঙওইননা কাঙলূপ মশেল মরক্তা ঈরাং থোক্লকপা থীংনবা ইরাককী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা থাউগী সিটি কর্কুকতা অহিং চুপ্পা পুলিস ডিপ্লোই তৌখ্রে হায়না লোকেল মীওইশিংনা ফোঙদোক্লুখ্রে।

বাঘদাদ অমসুং য়ু এসনা চেকশিনৱা হায়বা লৈন-লৈনা কর্দিশ লমদম অদুনা সেপ্টেম্বর ২৫ দা ভোট লৌননবা থৌরাং তৌরি। বাঘদাদনা থৌরাং অদুবু 'মৈ শান্নবগী মওংনি' হায়না ফোঙদোকখি অমসুং য়ু এসনসু খোঙথাং অদুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফোর্সশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা অকায়বা পীবা য়াই হায়না লাউথোকখি।

কর্দশিংনা টর্কমেনশিং অমসুং অরাবশিংগা পাৱরগীদমক হীদান্নরিবা কর্কুকতা রেফরেন্দম অদুনা অকক্নবা টেন্সন খরা থোকহল্লকপা য়াই হায়না থাজনরি। সিটি অদুগী টর্কমেন পোলিটিকেল পার্টিগী ওফিসকী গার্দশিংগা খূৎ থোক্নবদা কর্দ অমা শিখিবা মতুংদা কর্দিশ সিক্যুরিটি অমসুং সিটি পুলিসনা সিটি অদুগী মফম কয়াদা চেকপোইন্টশিং শাখি।

রেফরেন্দম অদুগা মরী লৈননা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখিবা কর্দিশ ফিরালশিং পুবা কনভোই অমা টর্কমেন পার্টি ওফিসনা তানখাইবদা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্নরকখিবদুদা অতৈ কর্দ অনী অমসুং টর্কমেন সিক্যুরিটি গার্দ অমসু শোকখি হায়না সিক্যুরিটি সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখি। শিখিবা অমসুং শোকখিবা কর্দশিং অদু রেফরেন্দমগা মরী লৈননা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্নরিবশিংদুগী মরক্তা য়াওই হায়না সোর্ছশিংদুনা মখা তাখি।

কর্দিশ লমদমদুগী বোর্দরগা নকশিন্ননা টুপ অমসুং টেঙ্কশিংনা শরুক য়াহন্দুনা মিলিটরি এক্সরসাইজশিং পাঙথোকখিবা টর্কিনা মতম শাংনা টর্কমেন মাইনোরিটি ঙাক শেন্দুনা লাকপা লৈবাকনি হায়না ফোঙদোকচদুনা লাকখি।

ইরাকি কর্দশিংনা হৌখিবা এপ্রিলদা সিটি অদুদা মখোয়গী ফিরাল পাইহনখিবা মতমদা টর্কিশ প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগননা কর্কুক অসি কর্দিশ সিটি অমা ওইবা য়ারোই হায়না লাউথোকখি। ঙমখৈদগী কিলোমিটর অনীরোম লাপ্পা পোইন্ট অমদা রেফরেন্দম লোইবা ফাওবা মনুভরশিংদা য়াওগদবা টর্কিশ লান্মীশিংনা কোম তৌবা উনখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই শাবা ঙমখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা ইন্দিয়ানা ডিমান্দ তৌখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :*

*হৌখিবা চয়োলদা জপান লান্না ময়াই ওইরপ শানবা মিসাইল অমা কাপখিবা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই শারকপগা মরী লৈননা শাথীরবা খুৎলাই অসিবু মালেমদা শন্দারকপগী মতাংদা থিজিন্নবা ইন্দিয়ানা ডিমান্দ তৌখ্রে। পাকিষ্টানবু ন্যুক্লিয়র খুৎলাই শন্দোকপদা মতেং পাংবা লৈবাক অমনি হায়না অতম্নমা পন্দবীদা ইন্দিয়ানা অসিগুম্বা থৌওংগী মতাংদা থীজিন্নবা ডিমান্দ তৌখিবনি।*

*নোর্থ কোরিয়ানা মালেমগী চৎন-পথাপশিং খোঙ্গাওনদুনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩ দা হাইড্রোজেন বোম অমা পোকখায়হন্দুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতিক-ময়ায় লৈরবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখি। চাংয়েং অদুনা রিক্টর স্কেলদা মেগনিট্যুদ ৬.৩ য়ৌবা খূৎশেমগী য়ুহা হাবা অমা থোকহনখি।*

IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE : IMPHAL WEST, MANIPUR

*Original (G&W) Suit No. 7 of 2017*

Km. Lourembam Radhamani Devi ... Petitioner

-Versus-

1. Smt. Lourembam Radhapiyari Devi and 5 others. ... Respondents

[illegible]/NOTICE

To

All the interested persons.

WHEREAS, the above named Petitioner has filed a petition under sections 52 and 53 of the Mental Health Act, 1987 for appointment of Guardian of Shri Lourembam Sharatchandra Singh, aged about 57 years, S/o Late L. Nilabir Singh and Late L. (o) Jamini Devi of Keishamthong Elangbam Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur (a person with mental disability).

Notice is hereby given to all the interested persons in the above referred case to appear before this court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the suit, or who shall be accompanied by some person able to answer all such questions on 4th October, 2017 at 10:30 a.m. to file written objection. If any, failing which the matter will be heard and determined without further notice.

Signed and sealed by the order of this court on this the 13th day of September, 2017.

Seal : Sd/- Sheristadar,

By : District & Sessions Courts : Imphal West, Manipur.

Advocate

HL-P/2925/19&20

GOVERNMENT OF MANIPUR

PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT

[illegible]/NOTIFICATION

Imphal, September 18, 2017

**No. CE/PHE/1-1(NG)/2017/2182 :** As per this office Notification No. CE/PHE/1-1(NG)/2017/1671 dated 7.8.2017 for recruitment of 20 (twenty) Office Assistant cum Computer Operators in PHED, Manipur, the date, time and venue of the proposed written test are as under :

1. Date of Written Test : 24.9.2017
2. Time : 11:00 a.m. to 11:45 a.m. (45 minutes)
3. Venue and Roll No. :

| Sl. No. | Name of Institute | Roll No. |
|---|---|---|
| 1. | T.G. Hr. Secondary School, Imphal | OA-0001 to OA-0810 |
| 2. | D.M. College of Science, Imphal | OA-0811 to OA-1537 |
| 3. | D.M. College of Arts, Imphal | OA-1538 to OA-2885 |
| 4. | D.M. College of Commerce, Imphal | OA-2901 to OA-3174 |

*Sd/-* **H. Sunil Singh**

**Chief Engineer, PHED, Govt. of Manipur.**

HL-P/2934/20&21